# ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী জেটশিং, চোপ্পরশিংনা ইন্দিয়াগী কোরোনা ৱারিয়রশিং ঈকাইখুম্নখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মে, ০৩(এজেন্সি)ঃ*
লৈবাক অসিগী আর্ম ফোর্সশিংনা হেল্‌ঠকিয়ার ৱার্করশিং অমসুং অতৈ কোরোনাভাইরসকী মাঙজিন থাবা ৱারিয়রশিংদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি ষ্টেটকী কোনুংশিংগী মথক্তা ফাইটর জেটশিংনা ফ্লাইপাষ্টশিং অমসুং নোংথক্তগী লৈ চাইথরক্তুনা অমসুং লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংগী মপানদা মিলিটরি বেন্দশিংনা খোঙদুনা অচৌবা থৌরম অমা পাংথোকখ্রে।

লৈবাক পূম্বগী লোকদাউন অদু চৎনহন্নবগীদমক থবক শিন্নখিবা পুলিস পার্সোন্নেলদা ঈকাইকুম্নবা উৎনবা দিল্লিদা লৈরিবা পুলিস মেমোরিয়েল অদুদা সার্ভিস চীফ ৩না লৈ কৎলগা অচৌবা থৌরম অদু হৌখি।

দিল্লিদা সুখোয়–৩০ এম কে আই, মিগ–২৯ অমসুং জাগুৱরশিংনা রাজপথকী মথক্ত য়ান্না নেন্না পাইখি অমসুং ইন্দিয়া গেট অমসুং রেদ ফোর্টকী মথক্তা লৈ চাইথরকখি। মসিদা নত্তনা সি–১৩০ ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফনসু মদুগা চপ মান্ননা পাংথোকখি।

শ্রীনগরগী দাল লেক, চান্দিগড় গী সুখনা লেক অমসুং লক্ষ্ণৌগী মথক্তসু ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা মসিগা মান্নবা নোংথক্কী থৌরম অমা পাংথোকখি।

কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী থীনা শোকহনবা অসিদা অমা ওইরিবা মুম্বাইদা মেরিন দ্রাইবকী মথক্তা ফাইটরজেটশিংনা পাইখি। অদুগা অতৈ হোস্পিটাল কয়াগী মরক্তা কিং এদৱার্দ মেমোরিয়েল (কে ই এম) হোস্পিটাল অমসুং কষ্টুরবা গান্ধী হোস্পিটালগী মথক্তা লৈ চাইথরকখি।

কোরোনাভাইরসকী লান্থেংদা ডোক্টরশিং, পেরামেদিকশিং, সেনিটেসন ষ্টাফ অমসুং অতৈ মাঙজিন থারিবা ৱার্করশিংদা মসি অখন্ননা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ৩শুবনি।

নুংঙাইবা ফোঙদোকপা উৎপসি প্রাইম মিনষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেলকোনিশিংদগী খুবাক খুনবা মীয়ামদা হায়জদুনা মার্চ থাদা হৌখি। মদুগী চয়োল অমগী তুংদা কেন্দল মৈরা থান্দুনা কোরোনা ৱারিয়রশিংদা অমত্তা ওইবা উংখি।

ঙসি অয়ুক ইন্দিয়াদা পুং ২৪গী মনুংদা কোরোনাভাইরসনা নৌনা মীওই ২,৬৪৪ নাদুনা নোংমগী মনুংদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না নাবা ওইখ্রে।

ঙসিগী অনাবশিংদুগী মনুংদগী ৮৩সু শিখ্রে। মসি থারগা ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসনা নাবা মশীং ৩৯,৯৮০ শুরে অমসুং ১,৩২৩ শিখ্রে।

# রাজস্থানগী কোটাদগী বিহার মহৈরোই ১,২০০ স্পিসিয়েল ট্রেন অমদা ময়ুম মায়কৈ পাংলকখ্রে

*কোটা, মে, ০৩(এজেন্সি)ঃ*
কোরোনাভাইরস লোকদাউনগী মরমদগী থা অমা হেন্না রাজস্থানগী সিটি কোটাদা হল্লকপা ঙমদনা লৈরকখ্রবা বিহারগী মহৈরোই ১,২০০ হেন্না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা স্পিসিয়েল ট্রেন অমদা ময়ুমদা হল্লকপা হৌখ্রে।



সিটি অদুদা হৌজিকসু মহৈরোই ১০,০০০ লৈহৌরি। বেগুসরাইগীদমক স্পিসিয়েল ট্রেন অমগী দবা ২৪দা মহৈরোই ১,২১১ ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবদা কোটা থাদোক্লকখ্রে।

গায়া জোনদগী মহৈরোইশিংগী অতোপ্পা খূৎপু অমগা লোয়ননা ২শুবা ট্রেন অমসু ঙসি নোংমাইজিংগী নুমিদাংদা কোটাদগী চৎলগনি হায়না রেলৱে ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কোটা এদমিনিষ্ট্রেসনা মহৈরোইশিংদা মখোয়গী চৎনবগী থৌরাংশিং অদু মখোয়গী মোবাইল ফোনশিংদা টেক্সশিং ওইনা থাদুনা খঙহনখি অমসুং মেসেজ অদু ফংবা মহৈরোইশিং খক্তমক রেলৱে ষ্টেসন অদুগী মনুংদা চংবা য়াহনগনি হায়না থবক অসিগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা ৱা তান্নরিবা কোচিং ইনষ্টিট্যুট মেম্বর অমা ওইরিবা প্রমোদ মেৱারানা হায়খি।

মার্চ ২৫দা লোকদাউন হৌখিবা মতুংদগী রাজস্থানগী কোতাদা বিহারগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মহৈরোই ১২,০০০ হেন্না লেঙবা য়াদনা লৈরকখিবনি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎ মরকসিদা মখোয়না বিহার গভর্ণমেন্টতা মখোয়গী য়ুমদা শোয়দ–ঙামদনা হন্নবা শিনবীয়ু হায়না হন্না–হন্না আপিল তৌখি। মহৈরোই কয়ানা বিহার গভর্ণমেন্টকী মথক্তা মখোয়গী হোষ্টেলশিংগী মনাক্তা প্রোটেষ্ট ফাওবা তৌখি।

অদুবু চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা মদু তৌবনা ভাইরস অসিগী মায়োক্তা থেংনরিবা অসি কান্নদবা তাহল্লগনি হায়রদুনা মাইগ্রেন্টশিং অদুগী চৎনবগী থৌরাং তৌ হায়বা হায়খিদে।

থংনবা উত্তর প্রদেশনা মখোয়গী মহৈরোইশিংবু পুরক্লবা কোটাদা বসশিং থারকখিবগী মতুংদা মহাক্কী ফিরেপ অদুগীদমক মহাকপু চৈনরকখি। ওপোজিসন আর জে দিনা চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারবু মপুং ফানা চমমনরে হায়খি।

# স্মোল, মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজশিংগী রিলিফ পেক্কেজ থৌরাং তৌরে হায়না নিটিন গাদকারিনা ফোঙদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে, ০৩(এজেন্সি)ঃ*
সেন্টরনা এম এস এম ই (মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস) সেক্টরগীদমক রিলিফ পেক্কেজ অমা থৌরাং তৌনবা থবক চংশিল্লে হায়না লিখুনশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



য়ান্না লৌনগল্লবা কোরোনাভাইরস থেংননবা চত্থখিবা লোকদাউন অদুগী মতুংদা এম এস এম ই সেক্টরনা খ্বাইদগী হেন্না থীনা শোকপা অমা ওইখি অমসুং মসিবু অমুক হিংগৎহন্নবা সেন্ট্রেল পেক্কেজ অমগী মতাংদা পাকশন্না আশা অমা তৌনখি।

মিনিষ্ট্রি অদুনা এম এস এম ইশিং অমুক হিংগৎহন্নবগী মথৌ তাবা লৌখৎকদবা রিলিফকী খোঙথাংশিংগী লিষ্ট অমা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদা থাখ্রে।

এফ আই সি সি আই লেদিজ ওর্গনাইজেসনশিংনা শিনখিবা থাংজ নুমিৎকী ৱেবিনার অমদা এম এস এম ইগী পোর্টফোলিও পায়রিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর গাদকারিনা হায়খি, ঐখোয়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরদা রিলিফ পেক্কেজ অমগীদমক রিকোমেন্দেসনশিং থাখ্রে অমসুং মদু থুনমক লাওথোক্লগনি হায়না ঐনা আশা তৌই। ঐখোয়না হেক ওইথোকপা য়াবা খ্বাইদগী ৱাংবা চাংদা রিলিফ পীরগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারম অমসুং সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংগা থাংজা নুমিৎতা পাংথোকপা মীফম অদুদা স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্দষ্ট্রিশিংগীদমক লিক্কিদিটিগী মতাংদা খন্নখি। এম এস এম ই মিনিষ্ট্রিনা লিক্কিদিটি ফগৎহন্নবা অনৌবা থৌরাংশিং পাংথোক্লি।

মীফম অদুগী মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা থোকপা চেরোল অমদা হায়, ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং ওফিসিয়েলশিংগা উন্নখিবা অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা এম এস এম ইশিং অমসুং ফার্মরশিং শৌগৎনবা থৌরাংশিং খন্নখি, লিক্কিদিটি হেনগৎহন্নবা অমসুং ক্রেদিট কনখৎহন্নবসু খন্নখি।

এম এস এম ইশিংদা ক্রেদিট ফেসিলিটি ফগৎহন্নবা ক্রেদিট গ্রেরেন্টি স্কিম লিমিট অমা হেনগৎহন্নবগীসু মিনিষ্ট্রিনা শৌগৎখি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা কোভিদ–১৯ পান্দেমিকনা অপিকপা অমসুং ময়াই ওইরপ্পা ইন্টরপ্রাইজশিংদা থোকহল্লিবা শেন–থুমগী পোৎলুম অদু হন্থহন্নবগীদমক টেক্স রিলিফসু পম্মি হায়না লিখুনশিংনা হায়খি।

মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজশিংদা পীগদবা ৱাৎলিবা শেনফম পূন্নমক অদু ইন্টরেষ্টকা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং পব্লিক সেক্টর পূন্নমক্লা শেংদোক্কদবনি হায়বা ৱাফমসু মিনিষ্ট্রি অদুনা পুখৎখি।

# মাইগ্রেন্টশিংগী ট্রেন ভরা খোমজিন্নবা ষ্টেটশিংদা সেন্টরগী ওর্দরনা ওপোজিসনবু পেন্দবা পোকহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে, ০৩(এজেন্সি)ঃ*
মাইগ্রেন্ট লেবররশিংনা মখোয়গী ময়ুম ষ্টেটশিংদা ট্রেনদা চৎপগী ভরা অদু লৌনবা অমসুং শেনফম অদু ষ্টেটশিংদা খোমগৎহন্নবগী রেলৱে মিনিষ্ট্রিগী খোঙথাং অদু হৌজিক গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিসনগী মরক্তা অনৌবা য়েৎনফম অমা ওইরকখ্রে। গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অদুনা ওপোজিসন পার্টিশিংদা পেন্দবা পোকহনখ্রে।



কোরোনাভাইরস থেংননবা লৈবাক শিনবা থুংবা লোকদাউন অদু চয়োল ২ অমগা অমুক শাংদোকখিবগা সেন্টরনা পন্দুনা লৈরিবা লেবররশিংবু মখোয়গী ময়ুম ষ্টেটশিংদা পুনবা ইরাই নুমিৎতগী হৌনা স্পিসিয়েল ট্রেনশিং চেনবা হৌহনখ্রে।

অদুবু ষ্টেটশিংগী দিমান্দগী ওন্ন–তৈনবদা রেলৱেজনা মাইগ্রেন্ট লেবররশিংদগী ভরা লৌরি।

রেলৱে সর্কুলার অমদা মফমদুগী গভর্ণমেন্ট ওথোরিটিজনা মখোয়না য়ারবা পেসেঞ্জরশিং অদুদা টিকেটশিং অদু খূৎশিন্নগদবনি অমসুং টিকেটকী মমল খোমজিল্লগা অপূনবা শেনফম অদু রেলৱেজদা খূৎশিন্নরক্লবা হায়রি।

টিকেটশিং পীরিবা অমসুং মদুগী মমল খোমজিল্লিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অদু, ষ্টেট কয়াদি ওপোজিসননা লৈঙাক পায়বনা অয়াম্বা ওইবনা পোলিটিকেলগী মুক্লবা অমা লাকপগী ফিভমদা লৈরে। বি জে পি নৎতবা পার্টিশিংনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংনা চৎপগী মমল অদু সেন্টরনা পুথোক্লবা দিমান্দ তৌরক্লি।

ঙসি ত্বিট অমদা সমাজৱাদি পার্টি চীফ অখিলেস যাদবনা, অৱাবা তারবা লেবররশিংবু ময়ুমদা ট্রেনদা চৎপগীদমক বি জে পি গভর্ণমেন্টনা মমল লৌরিবসি য়াম্না ঈকাইনিঙাইনি হায়খি।

লোকদাউননা মরম ওইদুনা থবক ফংহন্দবা, চরা হেলহনবা অমসুং থোকপা ঙমহন্দবা থবকশুবা মীওইশিং তঙাই ফদনা ময়ুমদা হন্নবগী গভর্ণমেন্টনা শিনবা ট্রেন তোংবগী মমল পীনবা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা য়ারিবসি য়াম্না ঈকাইনিঙাইনি। লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা ইনাকখুনবশিং শৌগৎলি অমসুং লাইরবগী মায়োক্তা লেপ্পি হায়বসি মসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে হায়খি।

# বেঙ্গলনা কোরোনা ৱারিয়রশিংদা লুপা লাক্ষ ১০কী হেল্‌ঠ ইস্যুরেন্স কোভর লাওথোকখ্রে

*কোলকটা, মে, ০৩ (এজেন্সি)ঃ*
জর্নেলিষ্টশিং য়াওনা মাঙজিন থাবা কোভিদ–১৯ ৱার্করশিংগীদমক ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ঙসি লূপা লাক্ষ ১০ ফাওবগী হেল্‌ঠ ইস্যুরেন্স কোভরেজ লাওথোকখ্রে।

প্রেস ফ্রীদম ডেগী থৌরম নুমিৎ অসিদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা প্রেসনা দেমোক্রেসিগী ৪শুবা য়ুম্বী অদুনি অমসুং মখোয়গী থৌদাংশিং কিবা লৈতনা শোয়দনমক পাংথোক্কদবনি হায়খি। ঐখোয়না জর্নেলিষ্টশিংবু মখোয়না খুন্নাইগীদমক তৌরিবা থবক্কীদমক ঈকাইখুম্নে। বেঙ্গলদা ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা জর্নেলিষ্টশিংগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎপা থৌরাং কয়া লৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মীওই ৯২২ কোরোনাভাইরস নাখ্রে, ৩৩ শিখ্রে।

# বোরিস জোন্সন ঃ কোভিদ–১৯না মহাক শিরে লাওথোক্লবা দোক্তরশিংনা থৌরাং তৌখি

*লন্দন, এম, ০২(এজেন্সি)ঃ*
বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা কোরোনাভাইরসকীদমক মহাকপু লায়েংলিবা ডোক্টরশিংনা ইন্টেন্সিব কিয়ারদা মাবু পুশিল্লবা তুংদা মহাক শিরে লাওথোক্লবা থৌরাং তৌখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন মার্চ ২৭তা মহাক কোভিদ–১৯ নারে হায়না অহানবা ওইনা লাওথোকখি অদুবু মহাক সুপ্নগী অতপ্পা লাওংশিং খক্তমক লৈবনি হায়খি।

ৱাফমশিং অসি মহাক্কী অনাবা অদুগী মরমদা অহানবা মরিকচুম্বা মহাক্কী ৱারোলশিংনি। মদু অরুবা অরিবা মীৎকুপ অমা ওইখি, মদু ঐনা য়াদবা ঙগ্লোই হায়না মহাক্কী ৱাফম পল্লদুনা ইন্টরভ্যু অমদা দ সননা সন্দে ন্যুজ পেপরদা হায়খি।

ডোক্টরশিং অদুনা ষ্টেলিন শিখিবগী টাইপকা মান্নবা অমা তৌনবা লাল্লোং অমা লৈখি। ঐহাক মরুওইনা অফবা মওংদা লৈখিদে। কন্টিজেন্সি প্লানশিং লৈখি হায়বা খঙই। করিগুম্বা ফিভম অসি থীনা লাল্লকপা তারবদি করি তৌগদগে হায়বদুগীদমক ডোক্টরশিং অদুনা মখল পূন্নমক্কী থৌরাংশিং তৌখি হায়না বোরিস জোন্সননা হায়খি।

মশাগী চহী ৫৫ শুরবা বৃটিস প্রাইম

অদুমক ওইদুনসু চয়োল অমা সেল্ফ–আইসোলেসনদা লৈরবা মতুং ফাওবদসু মহাক্না অনাবা অদু মাঙহনবা ঙমখিদে। মখা তাবা টেষ্টশিংগীদমক মহাক এপ্রিল ৫দা হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুবু পুং ২৪গী মনুংদা ইন্টেন্সিব কিয়ারদা পুসিনখি। ওক্সিজেন সপোর্ট ফংদুনা মহাক নুমিৎ হুন্নি লেনখি। ভাইরস অদুগা থেংনখিবা মহাক্কী লান্থেং অদু অতোপ্পা লম্বী রোমদা চৎখিরম্বা য়ারম্মি হায়না এপ্রিল ১২দা মহাক দিসচার্জ তৌরকখ্রবগী তুংদা মশানা য়াখি।

প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সননা লৈঙাকনা চল্লাইবা নেসনেল হেল্‌ঠ সার্ভিস এন ঐচ এসকী ষ্টাফপু মহাক চেকশিন্না হোৎনবীবগীদমক হন্না–হন্না তৌবিমল খংবা উংখি।

ইনফেক্সিয়স দিজিজেস অমসুং ভেন্টিলেসনদা এক্সপার্টশিং ওইরিবা ডোক্টরশিং –নিক প্রাইস অমসুং নিক হার্টনা হৌখিবা থাদা বোরিসকী পুন্সি কনখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী ৱাফমশিং অসি লাইচৎ অসিদা লৈবাক অসিদা মীওই ৬২১ অমগসু শিরে লাওথোক্তুনা পূন্না শিবা মশীং ২৮,১৩১ য়ৌখিবগানি।

মার্চ থাগী লোইরমদাইদা থমখিবা লোকদাউন অসি কোন্না চয়োল অসিদা কোমথোকহন্নবগী মায়কৈদা রোদমেপ অমা মহাক্না লাওথোক্লগনি হায়না মহাক্না হায়িখ।

# পাকিষ্টানগী নেসনেল এসেমব্লি স্পিকর কায়জর কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইখ্রে

*ইস্লামাবাদ, মে, ০৩(এজেন্সি)ঃ*
পাকিষ্টানগী নেসনেল এসেমব্লিগী স্পিকর অসাদ কায়জর, মাগী মচানুপী অমসুং মচানুপা নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখ্রে অমসুং চয়োল অসিদা মহাকপু উন্নখিবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান য়াওনা অতৈ হায় ওফিসিয়েলশিং তমথিরবা লাইচৎ অদু লৌনরকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎহনখ্রে।



লৈঙাক পায়রিবা পাকিষ্টান টেহরীক–ই–ইনসাফ (পি টি আই)গী লোমেকর অদুনা মহাক হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লায়হৌ হৌবা খরা য়াওনা লাইওংশিং থেংনবা হৌখি হায়রদুনা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ত্বিটরদা ঐহাক্না ইশামক সেল্ফ–ক্বারেন্টিন তৌরে হায়খি।

ঙসি (শগোলশেল) ঐনা ইশামকপু অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা টেষ্টকী রিপোর্ট অদু পোজিটিব ওইখি হায়না মহাক্না হায়খি।

স্পিকর কায়জরনা মহাক্কী ইমুংগী মীওই পূন্নমকসু টেষ্ট তৌখ্রে। অদুগা মচানুপা অমসুং মচানুপী কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইরে হায়খি।

মহাক্কী ষ্টাফ অমসুং হৌখিবা চয়োল অনীদা মহাক্না শম্নখিবা মীওইশিং মখোয় মশামক খুদক্তা টেষ্ট তৌথোক্লবা পাউতাক পীখ্রে।

মসিগী মমাঙদা হান্না মহাক্কী মচন অমসুং মশেনুপা ভাইরস অসি পোজিটিব ওইখিবনি।

নেসনেল এসেমব্লি স্পিকর কায়জরনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর খানগা উন্নখি। ইমরান খান টেষ্ট তৌখ্রবরা খুদক্তা খঙড্রি।

লৌনগনবা লায়না অসি কোন্না নারে খঙলকখিবা পাকিষ্টানি ফিলান্থ্রোপিষ্ট ফৈজাল এধিগা উন্নখিবা মতুং হৌখিবা থাদা মহাক নেগেটিব ওইখিবনি। মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং পোলিসি থৌওইদনা স্পিকর কায়জরনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইফতার চাক্লেন অমা শিনখি। মদুদা পোলিটিসিয়ানশিং অমসুং শক্লাইরবা মীওই কয়ামরুম শরুক য়াখি।

নেসনেল এসেমব্লি স্পিকর অসিনা কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইবদা খ্বাইদগী অকোনবা পাকিষ্টানগী পোলিটিসিয়াননি অমসুং ৩শুবা পি টি আই লুচিংবনি।

হান্না চয়োল অসিদা খা থংবা প্রোভিন্স সিন্ধগী গভর্ণর ইমরান ইস্মাইল কোভিদ–১৯ নাখ্রে। মসিগা মান্ননা সিন্ধ এসেমব্লিগী পি পি পি লোমেকর রানা হামির সিংহ অমসুং সিন্ধ এদুকেসন মিনিষ্টর সায়ীদ ঘনিসু ভাইরস অদু পোজিটিব ওইখ্রে।

মিনিষ্টর ঘনিদি মদুগী মতুংদা কোভিদ–১৯ নাবদগী ফখ্রে। অতোপ্পা সিন্ধ লোমেকর সায়েদ অবদুল রসিদসু মাগী ইমুংগী মীওই ৮গা লোয়ননা হন্দক টেষ্ট তৌবদা ভাইরস অদু পোজিটিব ওইখ্রে।

হৌজিক পাকিষ্টানদা কোভিদ–১৯না মীওই ১৭,৬৫০ নাখ্রে অমসুং মীওই ৪০৬ শিখ্রে, অদুগা মীওই ৪,৩১৫ ফখ্রে।

# নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়া দিমিলিটরাইজ জোন ৱাংমা–ৱাংমদগী নোংমৈ কাপ্নখ্রে

*সিওল, মে, ০৩(এজেন্সি)ঃ*
নোর্থ কোরিয়া লান্মীশিংনা কোরিয়ান পেনিন্সুলা অসিবু অনী থোক্লা খায়দোক্লিবা দিমিলিটরাইজ জোনদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা সাউথ কোরিয়াদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে অমসুং মদুদগী সাউথ কোরিয়াগী ফোর্সশিংনসু অমুক হন্না নোর্থ রোমদা কাপশিনখ্রে হায়না সিওলনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মেদিয়ানা মখোয়গী লুচিংবা কিম জোং উন চয়োল কয়ামরুম মশক উখিদবগী মতাংদগী মহাক্কী হকচাংগী মতাংদা ৱাফম কয়া কন্না ঙাংনখিবা অমসুং তাইতোম তারবা লৈবাক অসিগী তংদু লৈতাবগী মতাংদা অকিবশিং লৈখিবা চয়োল ৩ লোমগী মতুংদা অহানবা ওইনা মীয়াম মামঙদা থোক্লক্লে হায়না ফোঙখিবা অদুগী হেক নোংঙানবদনি।

নোর্থতগী কাপশিল্লকখিবা মরু কয়ামরুমনা সাউথ কোরিয়াগী গার্দ পোষ্ট অমদা পানখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফনা সিওলদা হায়খি। মদুদা অশোক–অপন থোকখিদে হায়না মখা তাখি।

ঐখোয়গী মিলিটরিনা নোংমৈ রাউন্দ ২ কাপ্তুনা পাউখুম পীখি অমসুং ৱার্নিং অমসু লাওথোকখি হায়না জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ অদুনা হায়খি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না নোর্থ কোরিয়ানা নোংমৈ কাপশিল্লকপা অদু অতন্ননা তৌবা নৎতে হায়না কোন্না সাউথ কোরিয়ান মিলিটরিনা হায়খি।

কোরিয়া লৈবাক অনী অসি ১৯৫৩দা আর্মিষ্টাইস অমনা লোইশিনখিবা কোরিয়ান ৱার অদুগী মতুং টেক্নিকেলগী ওইনা লান তৌনরিবা লৈবাকশিংনি।

লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা লৈরিবা দিমিলিটরাই জোন হায়রিবসি মমিং অদুগী ওন্ন–তৈনবদা মাইন ফিল্ডশিংনা পীকথনবা অমসুং তিংখংতরাগী শম্বলশিংনা খাজিনবা মালেমগী মথক্তা খ্বাইদগী ফোর্টিফাই তৌবা মফমশিংগী মনুংদগী অমনি।

# রসিয়াদা নোংমদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না, লিশিং ১০ হেন্না কোরোনাভাইরস নাখ্রে

*মোস্কো, মে, ০৩(এজেন্সি)ঃ*
রসিয়াদা কোরোনাভাইরসনা নাবদা নোংমগী মনুংদা মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা মীওই ১০,৬৩৩ নাদুনা অনাবগী মশীং পূন্না ১,৩৪,৬৮৭ শুখ্রে।

অদুবু লৈবাক অতৈ কয়াগা য়েংনবদা হন্দক নুমিৎ খরনিসিদা রসিয়াদা শিবগী চাং নেমথখ্রে অমসুং শিবগী চাং হেন্না নেমথরিবসি অতৈ লৈবাক কয়াদগী মতম হেন্না থেংনা রসিয়দা লাইচৎ অসি য়ৌরকখিবা অমসুং থৌরাং তৌনবা ওথোরিটিজদা মতম হেন্না পীখিবা অদুগী মরমদগীনি।

লৈবাক্কী ওইনা শিবদা, হৌখিবা পুং ২৪দা মীওই ৫৮ শিবা থারগা ১,২৮০ য়ৌরে হায়না রসিয়াগী কোরোনাভাইরস ক্রাইসিস রেস্পোন্স সেন্টরনা মসিগী ৱেবসাইদতা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা মে ১১ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংবা লোকদাউন মখা চত্থনবা ওর্দর তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট পুটিনগী মথংদা রসিয়াগী ২শুবা খ্বাইদগী সেনিয়ার ওফিসার প্রাইম মিনিষ্টর মিখাইল মিসুষ্টিননা মহাক কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরে অমসুং ফৎত্রিবা ফাওবা মহাক মতম খরগী ফম থাদোক্লে হায়না শগোলশেল নুমিৎতা প্রসিদেন্টতা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-456**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 5 | | | | 1 | | | 6 |
| | | 7 | | 6 | 4 | 1 | | |
| | | 4 | | 7 | | 5 | 9 | |
| 2 | | | | 5 | 6 | | | 4 |
| 6 | | | 1 | | 9 | | 7 | |
| 7 | | 1 | | 4 | | | | 9 |
| | 1 | | 9 | | | 4 | 6 | |
| | 9 | 6 | | | 8 | | | 7 |
| | 7 | | 6 | | | | | 1 |

**সনা–সুদোকু – ৪৫৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 9 | 8 | 4 | 2 | 1 | 7 | 6 | 5 |
| 4 | 6 | 5 | 8 | 9 | 7 | 3 | 1 | 2 |
| 7 | 2 | 1 | 5 | 6 | 3 | 9 | 4 | 8 |
| 6 | 7 | 4 | 2 | 3 | 9 | 8 | 5 | 1 |
| 9 | 8 | 3 | 1 | 5 | 6 | 4 | 2 | 7 |
| 5 | 1 | 2 | 7 | 4 | 8 | 6 | 3 | 9 |
| 1 | 3 | 9 | 6 | 7 | 2 | 5 | 8 | 4 |
| 2 | 5 | 7 | 3 | 8 | 4 | 1 | 9 | 6 |
| 8 | 4 | 6 | 9 | 1 | 5 | 2 | 7 | 3 |

## GAS TODAY

**Haran Velley, Kwakta**
Booking : 19/01/20
Valid : 06/01/20
Contact No.- 708542118/ 7085411539
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 07/02/20
Sl. No. : 81 to 150
Time : 07.30 to 10.00 a.m.
Home Delivery Contact No.- 6009260971/ 6381538861

**Hrangchal Gas**
Booking : 20/02/20
Valid : 16/02/20
Time : 08.00 to 12 Noon
Booking - 0385-2444677
Enquary Contact No.- 9089024365

**Imphal LPG Service**
Booking : 27/02/20
Valid : 13/02/20
Sl. No. : 16865
Time : From 08.30 a.m.
Home Delivery Contact No.- 6009392991

**Jemon Gas Service, Singjamei**
Booking : 19/01/20
Valid : 03/01/19
Home Delivery on SMS & Whatsapp 7630076597/ 9436039984
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 19/02/20
Sl. No. : 900
Home Delivery Contact No.- 7005771527/ 9774679422
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Home Delivery Only
Booking : 20/02/20
Valid : 13/02/20
Contact No.- 9366474013/ 8119967266/ 7005037487
Booking No.- 879426533/ 8729879017
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 16/01/20
Valid : 08/01/20
Stk : 612
Home Delivery Contact No.- 9862836403/ 8415050488/ 9366930417

**Mahalaxshmi Indane**
Booking : 21/02/20
Valid : 09/02/20
Time : 10.00 to 12 Noon
Home Delivery Contact No.- 9862312969/ 8414929709

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 10/02/20
Valid : 06/02/20
Stk. : 612
Dilip-6909152567/ 9612883295 (Moirang A/C)
Ajoy- 7005667570 (Thanga A/C)
Rojen- 8787381746 (Kumbi A/C)

**Misao Gas Service**
Only Home Delivery
Booking : 04/03/20
Valid : 13/02/20
For Dellevery Service Please Contact -7085738631/ 8119967523- Call Timing : 08.00 to 04.00 p.m.

**Manipur Gas**
Booking : 20/02/20
Valid : 02/02/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Home Delivery Contact No.- 8730954041/ 7005728461/ 8259969582

**R B D Indane**
Booking : 17/02/20
Valid : 05/01/20
Stk. : 412
Time : 07.00 to 12 Noon
Home Delivery Only
Refill Order & Enquary 7629947172
Booking No- 7629947182

**Santhel Bazar Indane**
Booking :15/02/20
Valid : 07/02/20
Sl. No. : 306
Time : 07.00 to 12.noon
Contact No. 7005695308/ 6009772483

**T. D. K Gas**
Booking : 06/02/20
Valid : 05/02/20
Contact No. -8837269355/ 6909614353

**Porompat Indane**
Booking : 01/02/20
Valid : 22/01/20
Queries No. -9366184547
CallTime : 08.00 to 11.00 a.m.